## ৱাকৎ-মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : কেরলাদা লৈঙাক পায়রিবা সী পি আই (এম) গী ৱার্করশিংনা মীচম হাৎপগী মায়োক্তা ঙসি থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ-মীফম ফমখ্রে।

আখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ ভি বি পি), মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ-মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এ ভি বি পিগী নেসনল এগজিক্যুটিব কাউন্সিল মেম্বর শরতচন্দ্র হাওবীজমনা ফোঙদোকখিবদা, কেরলাদা ওক্টোবর ১১ দা অচৌবা রেল্লি অমা চৎখি। থা খরগী মমাঙদা কেরলাদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী কাঙবুনা এ ভি বি পিগী মেম্বর কয়াদা টোর্চর তৌবদা শিবা-নাবা কয়া থোকখ্রে। মসিগী মায়োক্তা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা নবেম্বর ১১ দা কেরলাদা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্কদৌরি। প্রোটেষ্ট অসিদা মণিপুরদগী মীওই ১০০ হেনবনা চৎতুনা কেরলাদা জষ্টিস তৌবীয়ু হায়না প্রোটেষ্টতা শরুক য়ারুগনি। মসিগী মাঙওইননা ঙসি ৱাকৎ-মীফম ফমখিবনি। থৌদোকশিং অদু অমুক হন্না থোক্তনবা অমদি থৌদোক অদু য়ানিংদে হায়বা উৎপা ওইনা ৱাকৎ-মীফম ফম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

## লম্বী থিংলুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীগী লিলোং থোংদা বোম অমা লৈরে হায়দুনা মীয়াম পাখৎনবদগী পুলিসনা লম্বী থিংলুরে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তারকপদা লম্বীদা লাকপা মীওই খরনা লিলোং থোংগী মনাক্তা বোম অমা লৈরে হায়দুনা পুলিসতা পাউ পীরকপদা খুদক্তা মফম অদুদা লিলোং পুলিস অমদি অসাম রাইফল লোয়ননা শিংজমৈ পুলিসনচিংবা লাক্তুনা লম্বীদু ঙাইহাক থিংখি। তুংদা পুলিসকী বোম স্কাউট কৌরবা মতুংদা মখোয়গী বি দি দ্রেস অদু শেৎলগা বোম অদু য়েংলুবা মতমদা শাশিন্নবা বোম ওইরমখি হায়রি। তুংদা লম্বী থিংলম্বা অমদি লম্বীদা পল্লম্বা গাড়ীশিং অদু থাদোকখি হায়রি।

## ওপোজিসন্দা লৈবা...

*লামায় ১গী মখা...* কোর্পোরেট কয়াগী লিষ্ট সিল্ড তৌদুনা থমজিনখি। ব্লেক মণি থিংগনি হায়না লাউখিবা অদু অরেম্বদা তারে। খঙহৌদনা দিমোনেটাইজেসন লাউথোকখিবা নুমিৎ অদুদগী লৈবাক অসিগী মীচম মীয়াম অৱাবা নংহনখি। দিমোনেটাইজেসন তৌখিবা চহী ১ মপূং ফাজিল্লকপা অসিদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ব্লেক দে হায়না খোঙজং কয়া চঙশিনগদৌরি। ষ্টেট অসিদসু পোলিটিকেল পার্টি ১০ না শেম্বা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা ব্লেক দে পাঙথোক্লবা ওবজার্বেসন কম্মিটি শেমদুনা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। রেল্লি অমসুং মীফম পাঙথোক্ল বগীদমক শেম-শাবা লোইশিল্লক্লে। থা অসিগী ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্লেক দেগী রেল্লি অমসুং মীটিং অসিদা মপূং ফানবা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা আই এন সী, আর এস পি, এ আই এফ দি, বি এস পি, সী পি আই, এ এ পি, সী পি এম, এন সী পি, এ আই টি সী অমদি জে দি এসকী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।


## GAS TODAY

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:12/08/2017
Valid From:28/07/2017
***Stk 14Kg:306, Rs.842.50/-***
Timing:08.00am to 10.00am

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:16/08/2017
Valid From:26/07/2017
***Stk :612 (CTC Only)***
Timing:07.00am to 10.30am

**JEMON GAS SERVICE, MAYANG IMPHAL**
Booking Upto:17/07/2017
Valid From:30/05/2017
***Stk :306, RS.848/-***
***(Only CTC Customers),***
Timing:07.00am to 09.00am

**K&K INDANE SERVICE SL.NO. 300**
Booking Upto:21/08/2017
Valid From:31/07/2017
***Stk :612***
Timing:07.30am to 11.00am
*(First Come First Serve)*

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto:17/08/2017
Valid From:11/08/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.00am

**R&H INDANE, IRILBUNG**
Booking Upto:23/07/2017
Valid From:23/06/2017
***Stk :612***
Timing:08.00am to 11.00am

**J RONGMEI SK INDANE, WANGOI**
Booking Upto:29/08/2017
Valid From:20/08/2017
***Stk :306***
Timing:06.00am to 09.00am


# লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ওজানা লাইরিক তাক্তে হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু : মিরাবাই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : মমা-মপা ওইরিবশিংনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা লাইরিক তাক্তে হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। হৌজিক্তি লৈঙাক্কী স্কুলশিংসু নীংথিনা লাইরিক তাকপীরে হায়না এম এল এ অকোইজম মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

এস এম সী এন্দ এস এম দি সী লাংজিং হায় স্কুল, ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এন্যুএল স্কুল মিট ২০১৭কী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)গী এম এল এ, একে মিরাবাইনা হায়খি, লাইরিক হায়বসি মীওইবগা থানবা য়াদে। মহাক্কী তোলোবতগী থা খূদিংগী লুপা লীশিং ৩০ কায়থোক্তুনা মহৈরোয়শিং ট্যুসন তমহল্লি। হৌজিক্কী মতমদা কম্পিটিসন ৱাংবনা হেন্না হোৎনবা চঙই। লৈঙাক অসিনা এদ্যুকেসন্দা মীৎয়েং চঙলি হায়বা মরম্না অসিগুম্বা স্কুলশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নিংই। হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা উনগনি। লোয়ননা মতমগা চুনবা স্কুল ওইহন্নবা হোৎনরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লাংজিং হায় স্কুল অসি হান্নদি জুনিয়র হায় স্কুল ওইরমই। অদুবু কুমজা ২০০৭তা হায় স্কুলদা অপগ্রেট তৌরকখিবনি। মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈদা স্কুল অসিগী ক্লাস রুম মরি চাউথোক্ল বা থবক পায়খৎখি। অদুবু প্লানগী শেনফম কায়দবনা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরকপনি। হৌজিক্তি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি।

হান্নদি স্কুল অসিদা মহৈরোয় ২৫ রোমতা মহৈ তম্লমই। অদুবু হৌজিক্তি মহৈরোয় ১০০গী মথক্তা লৈরে, মসি ওজাশিংগী হোৎনজমননি। হৌজিক স্কুল অসিগী ৱাৎলিবা ওজাশিং থাহল্লক্ল বা হোৎনরগনি। অকোয়বদা লৈরিবশিংনসু স্কুল অসিদা লাইরিক তম্বীয়ু। মসিনা মহৈ তম্বদা হেন্না চাদিং তৌরিবসি হন্থহনবা ঙমগনি। স্কুল অসিগী মফম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা লৈঙাক্কী স্কুলনি। স্কুল অসি চাউখৎহন্নবা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীদুনা লাংজিং হায় স্কুলগী হেদমিষ্ট্রেস এল নির্মালানা হায়খি, মহৈরোয়শিং ফহন্নবগীদমক সাইন্স অমসুং কুইজ কম্পিটিসন অমদি সাইন্স সেমিনারনচিংবা কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াহল্লি। মসিদসু নত্তনা মহৈরোয়শিংগী এক্সত্রাকরিকুলম এক্টিভিটিজ কয়াসু পাঙথোক্লি।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ক্লাস টেন এগজামিনেসন্দা সেকেন্দ দিভিজনদা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয় অনী, টাইকোন্দো মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা মহৈরোয় অহুম, ইরাবতনা ইবা শৈরেং শৈদিন্নবদা মনা লৌরকখ্রবা মহৈরোয় অনী অমসুং বেটি বচাও বেদি পরাওগী পেন্তিং কম্পিটিসন্দা কন্সোলেসন প্রাইজ ফংলকখ্রবশিংবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখি। মসিদা নত্তনা মহৈরোয়শিংগী স্কুল য়ুনিফোর্ম অমসুং লাইরিকশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওর্নরগী ৱারোল পীরদুনা জেদ ঈ ও জোন-১, ইম্ফাল ৱেষ্ট কে ঐচ সুচেতানা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী পূক্লিং থৌগৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মসিদা পূম্নমক্কী থৌদাং চঙই। থৌরম অদুদা লাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মোংজম রোমেন, টি ঐচ চন্দ্রসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।




# মহৈশঙ হায়বসি শেংলবা মফমনি, পুম্নমক্না ঙাকমিন্নসি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : মহৈলোয়শঙ হায়বসি শেংলবা মফমনি। ঐখোয় পুম্নমক্না ঙাকমিন্নসি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা পাঙথোকখিবা সিন-লং ফেষ্ট ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ বি বি এ, দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সিন-লং ফেষ্ট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, মহৈলোয়শঙ হায়বসি য়াম্না শেংলবা মফমনি। নহা খূদিংমক্না মহৈলোয়শঙদা মহৈ-মশিন তমদুনা তুংগীদমক হোৎনরিবনি। মহৈলোয়শঙ কয়াগী অকোয়বদা এনক্রোচ তৌরকপগী ফীভম কয়াসু থেংনরি। মহৈলোয়শঙ হায়বসি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্কীনি। মহৈলোয়শঙগী অকোয়বদা এনক্রোচ তৌবনচিংবা অসি লেপ্পা তঙাইফদে। মীয়াম, মহৈরোয় অমদি ওজাশিংনা মহৈলোয়শঙবু ঙাক-শেনমিন্নগদবনি। খুন্নাইগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন তম্বা ফংহনগদৌরিবা অসি মহৈলোয়-শঙশিংদনি। স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী বিল্ডিংশিং অসি লাইশঙ, মোস্ক, চর্চকুম্না য়াম্না শেংবা মফম ওইনা ঈকায় খুম্নগদবনি।

মেনেজমেন্টকী লমদা নিংথিনা চঙশিনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মেনেজমেন্ট হায়বসি মীওইবগী পূন্সিগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা অমনি। অচুম্বা মওংদা অমদি খ্বাইদগী ফবা মওংদা মেনেজমেন্ট তৌরবদি মীওইবগী পূন্সিদা মায় পাকপা ঙম্মী। অরানবা থেংনবা য়াওরকপশিং লেসন অমা ওইনা লৌগদবনি। মদুবু শেমদোক্তুনা মায় পাকপা ওইনবা হোৎনগদবনি। অরানবা অশোয়বশিং অদু শেমদোক্লগা অফবা তুংলমচৎ অমা শেম্নবা হোৎনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা হায়খি, সিন-লং ফেষ্টনচিংবা পাঙথোকপা অসিনা মহৈরোয়শিংদা ইভেন্ট মেনেজমেন্টকী ওইবা এৱেরনেস অমদি এক্সপরিয়েন্স কয়া ফংবা ঙমগনি। অসিগুম্বা থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা তঙাইফদে। মহৈরোয়শিংনা মশা-মশাগী হৈশিংবা হেনগৎনবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকী প্রিন্সিপালসু শরুক য়াখি। তোঙান-তোঙানবা কোলেজ কয়াগী প্রিন্সিপাল, প্রোফেসর, নন-টিচিং ষ্টাফ অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

# মীয়াম্না হয়েং শিন্থা লেপ্পীয়ু : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : মীচম মীয়ামদা ফংহনগদবা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনদে হায়বা মরাল শীরদুনা থা অসিগী ৫দা শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবীয়ু হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাঙনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমসি চহীদা মরিরক হেন্না ঈচাউ থোক্লবা মতুংদা হৌজিকসু ফৌবোল চোৎশিনবা অমদি ঈশিং তূংবনা ফৌ খাউবা য়াদবা মফম কয়া লৈরি। কুমসি চহীদা ঐখোয়গী খুন্নাইনা চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লবা হায়বসি শোয়দ্রে। ফীভম অসিদা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী মখাদা লায়রবা মীয়াম্না ফংজগদবা চেঙ অমদি থাউ হৈনথোকপশিং চৈরাক পীদুনা খুন্নাইনা চাক তাংগদবা ফীভমদগী কোক্লবা শিনবীয়ু হায়রবসু মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা মঙক কন্দুনা লৈরে।

মসিনা মরম ওইরগা থা অসিগী ৫ গী অয়ুক্কী পুং ৫ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মপূং ফানা জেনরেল ষ্ট্রাইক পাঙথোকপীয়ু। জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা পাউমী, মৈ, ঈশিং, অনা-লায়েং নাৎ অমদি লাইনিংগা মরী লৈনবশিংগীদি কোমথোক্কনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, য়েলহৌমী কন্নবা অপুনবা মীয়ামগী ঈহৌ অমা নবেম্বর ১১ দগী হৌরগা চয়োল অমা চূপ্পা চঙশিন্নবা শেম-শারি। ঈহৌ অসি তরায় তরায়রোইদবা অমদি মতম শাংনা লৈবাক কাং-খোং চাইগদবা ফীভম লৈবনা মীয়াম অৱাবগী মথক্তা অৱাবা ওইগদৌরি। য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌনা য়েলহৌমী মীয়াম অৱাবা তাহনবা হায়বসি লূপ অসিগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। লূপ অসিগী পান্দমদি য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিনা য়েলহৌমী মীয়ামগী নুংঙাই-য়াইফবা পূন্সিরোল অমা পীবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়াম্না ময়েক শেংনা ৱাখল খন্থগদবা ৱাফমদি নবেম্বর ২ অসি মালোম মীহাৎ হায়রগা খঙনরিবা মীহাৎ অদুগী ১৭লকশুবা নিংশিং থৌরমনি। থৌরম অসিদা মণিপুরগী হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমত্তনা শরুক য়াখিদে অমদি থৌরম পাঙথোকখিদ্রে। ফীভম অসিনা চল্লিবা পাউখোংদি মণিপুর মীয়াম্না অনৌবা মীরোল অমগী লালহৌ মথৌ তারে। অরিবা ৱাখল্লোন মরাই চাইথরে। অনৌবা মীরোলগী ঈহৌদা মায় ওনশিনবা মথৌ তারে।

মাওইষ্টনা চঙশিনবা ঈহৌনা মীয়ামবু অৱাবা পীবা থৌদৌ ওইহনবা পামদে। মীয়ামগী লালহৌনা মীয়ামদা য়ারিবমখৈ অৱাবা পীরোই। মরম অদুনা য়েলহৌমী কন্নবা ঈহৌ চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর মীয়ামবু চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লগদৌরিবা ফীভম অসিদগী কল্লমগদবা কাঙলোন অমা শেম্লমদবা য়াদবনা লূপ অসিনা লায়রবা মীয়ামগী চেঙ অমদি থাউ হুরানবশিং চৈরাক পীনবা ঈহৌ চঙশিল্লকখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, য়েলহৌমী কন্নবা লূপ অসিনা অশিন-অরাং ওইরি। নবেম্বর ১১ দগী হৌরগা চয়োল অমা চূপ্পা চঙশিনগদৌরিবা ঈহৌ অসিসু য়েলহৌমী মীয়ামগী য়াইফবা পূন্সিরোল অমা শেম্নবগীদমক্তনি। ঈহৌ অসি খুন্নাইবু চরা হেনবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা নত্তে। য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌনা মরম ওইরগা খুন্নাইদা চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লদনবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং চেঙ অমদি থাউ হৈনথোকপশিং চৈরাক পীরম্বা তাই।

# এন এস সী এন (কে) গী ফাইনান্স সেক্রেটরি ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : নাগালেন্দগী জুনহেবোটো দিষ্ট্রিক্টতা আসাম রাইফলসনা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ-খপ্লাং (এন এস সী এন -কে) গী মরু ওইবা মীওই অমা ফারে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

আই জি আসাম রাইফলস (নোর্থ) কী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর লেফ্টনেন্ট কর্নেল অমিতাব শর্ম্মনা থাদোরকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (নোর্থ) কী মীৎয়েংখাদা মঙাশুবা আসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা জুনহেবোটো দিষ্ট্রিক্টকী হেকিয়ে খুঙ্গংদা থিবা-হুম্বগী থবক চৎখি।

ওপরেসন অদুদা এ আরগী পার্সনেলশিংনা এন এস সী এন (কে) গী ফাইনান্স সেক্রেটরিনি হায়বা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু জুনহেবোটো দিষ্ট্রিক্টকী আইচিসাগেমি এরিয়াদগীনি হায়রি।

ৱাহং-পাউহং চথবদা ফারবা মীওই অদু কুমজা ২০০৮ দা এন এস সী এন (কে) য়াওখিবনি অমসুং জুনহেবোটোগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শেল খোমগৎপগী থবক তৌই হায়বা খঙবা ঙমখি।

ফারবা মীওই অদুদগী সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু রাউন্দ কয়ামরুম অমসুং মরু ওইবা চে-চাং কয়া ফংখি। মীওই অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক জুনহেবোটো পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা এন এস সী এন (কে) গী মরু ওইবা লুচিংবা অমা অরুনাচল প্রদেশকী চংলাং দিষ্ট্রিক্টতা ইন্দিয়ন আর্মিনা ফাবা লৈখ্রবনি। য়ুগদি এলিয়স দাংচে সেনা কৌবা এন এস সী এন (কে) গী মরু ওইবা মীওই অদু ম্যান্মার মচানি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ইন্দিয়ন আর্মিনা চংলাং দিষ্ট্রিক্টকী লোংমেন খুঙ্গংদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অদু ফাখিবনি হায়না কোহিমাদা বেজ তৌবা দিফেন্সকী স্পোক্সমেন চিরঞ্জিৎ কোনৱরনা

## মৈ মেগাৱাট ১ পুথোক্লবা হোৎনরি...

*লামায় ১গী মখা...*লিটর ৩০০০ শীজিন্নরি। মরুওইনা ত্রেক্তর অনী, এক্সকাভেটর অনী, বকেট অমা শীজিন্নরি। মসিদা নত্তনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি অমদি তোঙান তোঙানবা সোসল ওর্গনাইজেসনশিংগী খুথাংদা পুশিল্লকপা গার্বেজশিং অসি প্লান্ট অসিদা ৱেট মিজরমেন্ট ওল্লগা লৌশিল্লি। অদুগা হায়রিবা প্লান্ট অসিদা শীজিন্নবা য়ারোইদবা অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী চলান কক্তবা কাঙবুদি লৌশিনদে। অদুগা কনাগুম্বশিংনা য়ুম কৈ শাবগী ৱেষ্টেজ অমদি সী আর পি এফ, আর্মি অমদি হোস্পিটালনচিংবগী ৱেষ্টেজশিংদি শীজিন্নবা য়াদে হায়না মখা তারি।

মহাক্না হায়খি, প্লান্ট অসিদা পুশিল্লক্লিবা গার্বেজশিং অসি কুমজা ২০১৪-১৫গী অদুৱাইদদি চাদা ১৭ ওর্গানিক য়াওরম্মী। হৌজিক্না চাদা ১৪ দগী হেন্না য়াওদে। অতৈ শীজিন্নবা য়াদবা প্লাষ্টিক, লিক্লি মচেৎ অমদি অতৈ পোৎলমশিংদি নাকল অমদা পুরা থৈদোক্তুনা মেছিন অসিনা কামথোক্তুনা থম্মী। গার্বেজ অসিদা পল্লকপা ওর্গানিক্কী শরুকশিং অদু মেছিন্না তোঙান্না খেৎতোল্লগা বাইও কম্পোষ্ট অসি শেম্বনি হায়রি।

প্লান্ট অসিগী লৈরিবা লম অসি পুন্না একর ৮৫ নি। অদুবু হৌজিক শীজিন্নরিবনা শুপ্নতগী একর ১২ খক্তনি। অথুবা মতমদা প্লান্ট অসিদা মৈ মেগাৱাট অমা পুথোক্লবা হৌজিক য়াম্না কন্না শেম শারি। প্লান্ট অসিদা গার্বেজ অসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি অমদি তোঙান তোঙানবা লন্নাই এন জি ওশিং য়াওনা পুশিল্লকই। থবক শুবগী মতম অসিনা অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ ফাওবনি। মদুগী মতুংদা চাক চাবগী ব্রেক পুং অমরোম লৌরগা নুংথিলগী পুং ১.৩০ দগীনা পুং ৫.৩০ ফাওবা থবক শুই হায়রি।

প্লান্ট অসিদা পুথোক্লিবা কম্পোষ্ট হারশিং অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না শীজিন্নবদা য়াম্না কান্নবা ফঙই। হন্দক্কী হার তাঙবা মতমদা মফম অসিদগী মীয়াম্না হার বেগ অমদা লুপা ৪০০/৪০০ দা লৈনখি।

সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসিদা ইম্ফাল মনুংগী অমোৎ অকায়শিং টন অমা প্লান্ট অসিনা লৌবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা ৩৫০ রোম পীরি। হায়রিবা শেনফম অসি মণিপুর লৈঙাক্না প্লান্ট অসি মশা মথন্তা চলায়বা ঙমদ্রিবা ফাওবা পীগনি হায়রি। চাং নায়না গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈবা গার্বেজশিং ম্যুনিসিপালিটি অমদি লন্নাই এন জি ওশিংনা লৌথোক্লিব্রা হায়বদুসু মাহুদ দিপার্টমেন্টনা চেক তৌবগী থবকসু চথুরি। কম্পোষ্ট হার অসি শীজিন্নবা মতমদা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচাক অমত্তা য়াওদে হায়রি।

## শূনিংবা মীদি টয়ারতা খুল্লগা কান্নবা...

*লামায় ১গী মখা...*উহন্দনা টরা হাপচিনবা অমদি হেন্না মশক ফজহন্নবা হোৎনৈ। মহাক্না শেম শারিবা অসি খরা হেন্না খুৎ চঙবা মরম্না অতৈনা য়োন্নরিবা মমলদগী মহাক্কীনা লুপা ১০ হেন্না য়োল্লি। মীয়াম্নসু অদুমক লুপা ১০ হেনগৎলবসু মমল অদুদা পোৎ লৈ। কমদৌনা মপাঙ্গল কনবা পোৎশক ওইহনগদগে অমসুং হেন্না মশক ফজহনগদগে হায়বসি মহাক্কী লাইনিংনি।

মহাক্না শারিবা পোৎলমশিং অসি উখুল, ময়াং ইম্ফাল, ককচীং, লৈমখোং, থাংমৈবন্দনচিংবা মফমশিংদসু থাই। বিষ্ণুপুরগী ফোরেষ্ট গেট ময়াদসু দুকান অমা হাংলি। উখুলগী মীয়াম্না খ্বাইদগী দিমান্দ তৌরিবসি টায়রনা শাবা মোরা অসিনি। অনৌবা দিজাইন পুথোকপদা মহাক্না খঙনা চান্নবা কয়ানসু মতেং পাংলকই। লৈবা লাকপা ময়ামদসু করম্বা মওংদা শাবা পাম্বগে হায়না হংলবা তুংদা মখোয়গী অপাম্বদুসু থুংহন্নবা হোৎনৈ।

মহাক্না শেম শারিবা পোৎলমশিং অদু গুৱাহাটিদা থাগী তোলোব লুপা লীশিং ১৫ পীগে, থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা ট্রেনিং পীবিয়ু হায়দুনা কৌবা লাকপা মীওইসু য়াওই। অদুবু ঐহাক চৎখিদে। মরমদি মফমসিদা পোৎচৈ শারগা থা অমদা লুপা লিশিং ৬০/৭০দি য়োনবা ঙমই। শেনফম অসিগী খুৎশুমন ওইনা থা অমদা লুপা লীশিং ১৫ হায়বদুদি ইরায় লায়না ফংবা ঙমই হায়রি।

হৌজিক্তি থবক অসি শূবদা মীওই ৩০ রোম মহাক্না লোয়নরে। মখোয় খরনা কোয়না চত্তুনা টায়র য়াদবা থিবা থাই। টায়র অমদা লুপা ২০০ পীবা ফাওবা য়াই। মখোয় খরনা মহাক্না শূরিবা থবক অদুদা মতেং পাংই। শূমিন নোমমিন্নরিবা মীয়াম অদুগীসু মতিক চাবা শেনফম মহাক্না পী। অসুম্না ঐখোয় পুল্লপ নুংঙাইনা অমসুং নুংশিননা হিংমিন্নরি।

শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়দা য়ুম শাবা য়াওবা সাপম তোন্বী কৌবা চেক্কী মিষ্ট্রি অমনা পাউচে অসিদা হায়, লৈঙোই হোনবা, নুঙ হোনবা অমসুং বিলাটিমাটিগা য়ান্নরবা নুঙ লৈঙোইশিং হোনবদা টায়রনা শাবা বাল্টিন অসিদগী হেন্না ফবা অমত্তা লৈতে। টায়রদি বিলাটিমাটিনা চাথৎপা ঙমদে। য়োৎনা শাবা নৎত্রগা কোঙৌনা শাবা বাল্টিনদি চয়োল অমফাওবা চত্তবা য়াওই। মরম অদুনা য়াইখোম রঞ্জননা শাবা বাল্টিনশিং লৈবা লাকপনি।

## ফোরেনরশিংগী নমথাক্কী লাংদা...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, য়াম্না নুংঙাইতনিঙাই ওইবা থৌদোক অমা দিল্লি পুলিসনা হন্দক্তা নাইজিরিয়ন ক্রিমিনেলশিংদুগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমগী নুপী কয়া ফাখি। ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না অয়াম্বা নুপীশিংদু মণিপুর অমসুং নাগালেণ্ডদগী ওইখি।

এন ঈগী নুপী কয়া দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা নমথাক তৌবা ফোরেনরশিংসিগা লোয়ননা ফাবা পামই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওফিসলশিংনা মীফমদুদা হায়খি মদুদি দিল্লিগী মফম কয়াদা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং চথৈ অমসুং মশিং য়াল্লবা ঐখোয়গী নুপীশিং ক্রাইম তৌবা ফোরেনরশিংদুগা লোয়নরগা লৈ।

## সুপ্রিম কোর্টনা আধার এক্টকী...

*লামায় ১গী মখা...* মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা পিটিসন কয়া সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকখি।

হন্দক্তসু জজ মাপন্না শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা রাইট টু প্রাইভেসী হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। আধারনা প্রাইভেসী রাইট খোঙ্গাউনরে হায়না পিটিসনরশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাফম তারবা মতুংদা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পিটিসনরশিংনা হায়খি, বেঙ্ক একাউন্ট অমদি মোবাইল নম্বরশিং আধারগা লিঙ্ক তৌহনবা হায়বসি লোনা য়াদবা অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি। সী বি এস ঈনা মহৈরোয়শিং এগজাম থানবগীদমক আধার কার্দপু তঙাইফদবা মচাক অমা ওইহনখিবগী থৌওংবুসু পিটিসনরশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মোবাইল নম্বরশিং আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী কান্নবা ৱাফম পল্লদুনা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই)না হায়খ্রে মদুদি, ইশা ইশাগী আধারগা লিঙ্ক তৌখ্রবা সিম নম্বরশিং অতোপ্পা মীওইশিংনা অরানবা মওংদা শীজিন্নবা ঙল্লোই।

## মৈতৈ/মীতৈ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইফম...

*লামায় ১গী মখা...* লৈরিবা রিলিজন অদুগা চাংদম্নবা য়ারোই। ঐখোয়গী সনামহী লাইনিং, ঐখোয়গী লাইগী লৈরিবা কাঙলোন ময়াম, লাই খুরুম্বদগী হৌরগা চৎন-লোনচৎ অসি য়াম্না থাক ৱাংবা অদুগুম্বা হিন্দু লাইনিংনি হায়না ইন্দিয়ানা লৌনরিবা অদুদগী তাদবা লাইনিং অমনি। ঐখোয়না মমাঙঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাক্লিবনি। ঐখোয়গী মাইবী জগোয়দগী হৌরগা লৈরিবা খূদিংমক অসি ক্লাসিকেল দান্স ওইগদবনি হায়না হৌজিক্তি ক্লেম তৌনরক্লিবনি।

চাউখৎলে হায়রিবা ফুরুপশিং অদুনা শিজিন্নরিবা জগোয়দগী তাদ্রিবা অদুগুম্লবা মশাগী সিভিলাইজেসন লৈজরক্লিবা, হৌজিক ফাওবা মুৎতনা লৈরিবা ঐখোয় মৈতৈশিং সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওবা মরম চাদে। মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈশিংসি লোইনম সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবদা য়ানিংলে হায়বা ৱাফমদি শোয়দনা লানগনি। মসিবু পামদবা মীওই কয়া অমসু কেম্প্যেন তৌনবা লৈজে। মণিপুরদা লৈরিবা জেনরেল নত্তবা মৈতৈশিংগী মরক্তা সেদ্যুল্ড কাষ্ট মশিং য়াম্না লৈরি। মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবা মতমদা লিষ্টতা করিগুম্বা য়াওখিবা তারবদি সেদ্যুল্ড কাষ্টশিংসু সেদ্যুল্ড ত্রাইবতা য়াওখিগদৌরিবনি।

সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ওইনা ঐখোয়না থেংনবদা মখোয়গী এসোসিয়েসনশিং উনবা মতমদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওলহল্লোই, সেদ্যুল্ড কাষ্ট ওইনা অদুমক লৈজগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকই। মসি ওইবা তারবদি ঐখোয়না সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনগদৌরিবা অসি অন্দ্রো, সেকমাই, ককচিংনচিংবা মণিপুরদা লৈরিবা সেদ্যুল্ড কাষ্টকী মীওইশিং অসি খায়দোক্লগা লৈহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট খরসিনা য়ারগা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবা য়ারে হায়বদা লানগনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক লৈরিবা ইঠনোগ্রাফি, ইকনমিক ষ্টেট্রসনচিংবগী সর্ভে তৌরগা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ওনগদবনি হায়না কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না লৈরি। মসিদা মৈতৈশিংগী পুৱারী অসি মশক খঙবীবগা লোয়ননা অচুম্বা মায়কৈরোমদা য়েংশিল্লগা মীয়ামগী অপাম্বা পুম্নমক থুংনবা হোৎনরক্কনি হায়না থাজৈ। করিগুম্বা মসি নত্তদুনা অপাম্বা মীওই খরগী ফেবরদা চৎখিবা তারগদি লৈবাক অসিদা য়াম্না অচৌবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়বসি নিংশিংবা ফৈ।

করিগুম্বা মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবা মতমদা চীংদা লৈরিবা চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবদা য়ানিংদে হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি।

ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমদসু ষ্টেক হোল্ডর ময়াম তানহৌদবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা অচৌবা মীশি-মীনা থোক্তুনা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দনা লৈরিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# তৃনমূল কোংগ্রেসকী এম পি ওইরম্বা মুকুল রোই বি জে পিদা য়াওখ্রে

কোলকট্টা, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী): তৃনমূল কোংগ্রেসকী এম পি ওইরম্বা মুকুল রোইনা ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) দা য়াওখ্রে।

মতম অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা খ্বাইদগী নক্লবা মীওইনি হায়না লৌনরম্বা মুকুল রোইনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইবা তোকচরগে হায়না অইবা চেরোল পীশিনখিবা মতমদা তৃনমূল কোংগ্রেসপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

মুকুল রোইনা মখা তানা হায়খি, পার্টি খূদিংমক মশা-মশাগী চপ চাবা ফীরেপ লৈজগদবনি। তৃনামূল কোংগ্রেসতি করিগুম্বা মতমদা বি জে পিগা অমুক চৎমিন্নে। মতম খরা লৈরগনা কোংগ্রেসকা অমুক চৎমিন্নে। মশাগী ফীরেপ লৈজদবা পার্টিদা মখা তানা লৈনিংদবদগী তৃনমূল কোংগ্রেস থাদোরকখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মুকুল রোইনা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি কাইলাস বিজয় বর্গিয়া য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিংগা উনদুনা লাকখিবনি।

পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বগীদমক মুকুল রোইবু তৃনামূল কোংগ্রেসতগী চহী ৬ তান্থোক্লে হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রে। শ্রাধা, নার্দা অমদি অলকেমিষ্ট স্কেন্দলদা চেন্নে হায়বগীদমক মহাক্কী মথক্তা মপূং ফানা থিগৎকদবনি হায়নসু তৃনামূল কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

# নুপীলাল থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা চহীসিগী দিসেম্বর ১২ দা ৭৮রকশুবা নুপীলাল থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না নুপীলাল ওবজার্বেসন কম্মিটিগী কনভিনর তোংব্রম ইবেমচানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্বেসন কম্মিটি মণিপুরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা তোংব্রম ইবেমচানা হায়খি, মালেমদা খঙনদুনা লৈরিবা অহানবা নুপীলাল কুমজা ১৯০৪ অমসুং অনীশুবা নুপীলাল কুমজা ১৯৩৯ অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না ঙসি ফাওবদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকই।

মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুর, অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ, কংলৈপাক ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিয়েসন, কংলৈপাক লমজিং অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ হায়রিবা ইমা লূপশিং অসিগী মখাদা লূপশিংগী অপুনবগী ওইনা থাউ গ্রাউন্দদা ৭৮রকশুবা নুপীলাল নুমিৎ ওবজার্বেসন কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী কম্মিটি অমা শেম্লে। এদভাইজরদা ইমা এল মেমচৌবী (পোইরৈ লৈমরোল), অমকিলগী ইমা পি ঐচ শখি, কংলামৈগী ইমা ৱাই লৈরিক অমদি কে এ দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী ইমা এ কে মেমচানা ওইগনি। কম্মিটিগী কনভিনরনা তোংব্রম মেমচানি।

তোঙান-তোঙানবা সব-কম্মিটি মরি লৈ। মসিদা মীওই ২৯ না শায়। কম্মিটিশিংসু শেম্লে। মণিপুরগী পুৱারীদা ঈরমদম মণিপুর অসি মনিং-মখা তম্না লৈরম্মী। মণিপুরগী চেঙ মপান লমদা লৌতুনরগা থাদোক্লবা হোৎনরকপদা চাবা ফংদবদগী ইমাশিংনা বৃটিশকী মায়োক্তা থেংনদুনা নুপীলাল থোকখি। লাল অসিদা ইমাশিংনা মশাদগী ঈখেং তাখি। লানফম অদুদা ইমা ২১ শোক্লগা লোক-অপতা থমজিনখি। ইমাশিংগী ঈখেংতনা কল্লকখিবা দিসেম্বর ১২ অসি লৌরগা নুপীলাল নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না থৌরম অসিদা চঙগদবা শেল অমদি পোৎ-চৈগী মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# জেনিমসতা এম বি বি এস তম্বা মহৈরোয় অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা এম বি বি এস তম্বা মহৈরোয় অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অদুগী মমীং এলাংবম মনোরঞ্জন এলিয়জ বোইনাও (২৮) অপোকপা অচৌ কৌই। মহাক শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা, মহাক হৌজিক হৌজিক পোরোমপাৎকী জেনিমস হোস্পিটালদা এম বি বি এস ফর্ষ্ট সিমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয়নি হায়রি। ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী ১০ ফাওবা ক্লাস অনী য়াওরম্লগা বোইজ হোষ্টেলদা মখুৎ হামগনি হায়দুনা থোকখিবনি হায়রি।

তুংদা মহাক্কী দাইও অদু থৌরগা মহাক্কী ময়ুম ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলদা লাকখি। অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা মহাক্কী অপোকপনা মচানুপাগী দাইও অদু সুমাংদা খামদুনা লৈরম্বা উবদগী মহাক কদায়দা লৈবগে হায়না থিরুবদা মাগী কা অদু মনুংদগী থোঙ লোন্দুনা লৈরমখি। মতুংদা অতোপ্পা নাকলদগী থোঙ হাঙদুনা চঙলুবদা কা অদুগী সিলিং ফেনদা ঙকশমদা য়ানবা লেঙয়ান ফি অমনা থৌরি য়ান্দুনা লৈরম্বনি হায়রি। মহাক্কী মশা অদু ফোঙ ফোঙ শারম্বদগী খুদক্তা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎখি। অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্তেম তৌরবা মতুংদা পুলিসনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।